# খোংজোম পর্ব্বগী পামেল পলেম ‘ওজা সুন্দরি’
## (শৈশক অসিবু য়োকখৎনবগীদমক কন্না হোৎনখিবী ওজা)

**- লৈশাংথেম লময়ানবা মৈতৈ -**

*“লমদমসিগী পুৱারী খঙহন্দুনা মমা লৈবাক নুংশিবগী ইহুল পোকহনখিবদা খোংজোম পর্ব্বনা লৌখিবা থৌদাং ঙসিগী মীরোলনা খক মীরাইবা চুম্লোই, মতম খরা মমি শাম্লুরবা কলা অসি ঙসিগী মীরোলনা নৌহৌননা মতোল চোংহন্দুনা মালেমদা ইরৈপাকপু তোপ-তোপ্না মশক তাকপদা থৌদাং লৌরকখিগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি”*

*- খুমন্থেম সুন্দরি*

পোন্বী চেক্লা কয়াগী কাইদোংফম ওইরিবা তল্লা পামেল উজাওগী মরুম থুপ্না তাইবঙশিংনা নোংজু নুংশাদগী অৱা পোত্থাবগুম চোকথরবা লমদমসিগী মীয়ামদা পুৱারীবু নীংশিংহন্দুনা ৱাখল লৌশিংগী পাঙ্গল হাপ্পীখিবা, লৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী থৌনাবু শৈথাদুনা থৌনাগী ইরিক খিকখিবা, অপূনবগী খোল্লাউবু খোংজোম পর্ব্বগী শৈহেক্তা শৈথাদুনা চোকথবা লৈতনা শৈশকখিবী তল্লা পামেল ওজানি ওজা খুমন্থেম সুন্দরি, *খোংজোম পর্ব্বগী পামেল পলেমনি* হায়নসু শৈথাজরি। কুমজা ১৯৭৭কী সেপ্টেম্বর ২৭তা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা ব্রহ্মপুর বামোন লৈকায় লালজিলাকপা লৈকায়দা খুমন্থেম শ্যামকেশোর অমদি শগোলাশেম নিংঙোল খুমন্থেম ওংবী গোমতি অনীগী মরিশুবী মচা নিংঙোল ওইনা মণিপুর ইমাগী তম্পাক্তা খোইরি নাওফুম ফুমদুনা তাইবঙ খোঙদারকখি।

তাইবঙ শেন্বা মপূনা খোংজোম পর্ব্ববু য়োকখৎনবা অমদি মশক তাক্লবা শিনলম-শিন্থাগী পোরম পীবিখি। পলেমনা হেক পোক্লকপদগী হৌনা খূবাক ঈশৈ, জুলোন কাং, ঈশৈ থৱায় য়াওরগা লাকই, থিনবগী থবকসু য়াম্না পামজনা হৌরকই। মপু মানা তন্বীবা পোরমগী মতুংইন্না পলেম মশাগী চহী ৯ শুরকপদা মমিং লৈরবা ওজা থাঙ্গা মৈস্নাম মাঙ্গোলজাওগী মখাদা খোংজোম পর্ব্ব কংলৈরোল তম্বা হৌরকখি, তাকপগা হৈবগা অমতা ওইদুনা তম্বা হৌবা থা অহুম ফাদ্রিঙৈদা মীয়াম মাঙদা থোক্তুনা তনৌরিবী খূৎশানা ধোলোক য়ৈনা শকখিবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অদুনা তিল্লিবা মীয়াম্বু শুমহৎখি, মীয়াম্না শকখঙনবা হৌরকখি। ওজা হৈস্নাম মাঙ্গোলজাওগী মখাদা চহী ১২ রোম কংলৈরোল মমুৎ তানা তমহৌখি। পলেমনা চহী ১৫ মপূং ফারকপদা পেনাগী ওজা লৈমপোকপম য়াইমগী মখাদা পেনাগী লাইরোন খুনুং ঈশৈ তমখি অমদি খোংজোম পর্ব্ব নিংথৌরোলনা ওজা ইবেনিগী মখাদা তমহৌখি। মীয়াম্না খোংজোম পর্ব্ব শকপী সুন্দরি হায়রগা থোইনা হেন্না খঙনখি, মহাক্কী শৈশক তাখিবা মীয়ামগী নাকোংদসু ঙসিসু





অদুমক খোন্থাং য়ৈনরি... মতম অমগীনা শৈশকপী ঙসিগীনা ওজা সুন্দরি। মহাক্কী খোনলৈ খোন্দা, শৈশকপগী মওং মতৌ, অমুক তাখিবদা কাউবা ঙল্লোই। শুপ্নগী চহী ১৫ শুরকপদা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী খোংজোম পর্ব্ব শৈশকপী ওইখি।

তংদু লৈতাদ্রবা খুন্নাই,লালহৌবগী ঈহৌ লৈবা লমদম অসিদা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশকপী ওজা সুন্দরিগী পুন্সিদা থেংনখিবা অৱা নুংঙাইগী ৱারী অইবা ঐনা ইবগী লোইবা খন্বা নাইররোই, তোঙান তোঙানবা চীংগী লমশিংদা খোংজোম পর্ব্ববু অদুক্কী মতিক পান্নবা তানখি, মীৎলুদগী পিরাং শিন্থবা মখৈ তাবা য়াওখি। কবুই সলাং মাইবনা খন্বা পোকপগী মতাংদা শৈথাদুনা শকপা শৈশক্তা কবুই ইপা অমনা পেনমনখিদুনা চান-থক্লবা অমদি নাৎকী ওইবা ফি খুদোল তন্বীরকপা য়াওখি। ঈশৈ শক্লিঙৈ লন্বীদা নহারোল খূৎলায় পায়বশিংনসু মমা লৈবাক নীংবা অথৌবশিংদা শৈথাবা খোংজোম লানগী ৱারীদা যূম্ফম ওইবা খোংজোম পর্ব্ববু শকপীরম্মু হায়দুনা শক্লম্বা কয়া য়াওখি। ওজা সুন্দরিনা নহা ওইরিঙৈ লমলেন লমলাইদা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ শক্লিঙৈ খঙহৌদনা নোংমৈ কাপ্পরকখি, তিল্লিবা মীয়াম কায়দুনা চেন্নৈ, হায়ফম তৌফম খঙখিদে, লৱাইগী লুতোন্দা হুমখিবদো নোংমৈ মরূনি হায়বা মীৎকুপ খরগী মতুংদা ৱাখল লাকই, মপু মহাক্লা অনৌবা মপোক অমা পোকপীরবনি নীংজখি। পোকপীরিবা মপোক অসি খোংজোম পর্ব্বগীদমক কত্থোক্লগে হায়না চপ যুংনা লেপখি- ঙসিসু অদুমক লেপ্লি - পুন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ অদুফাওবা লেপখিগনি।

পলেম সুন্দরিনা মণিপুরগী লোইজিং লোয়া শিনবা থুংনা ফাওগৎলকপা মতম, মহাক্লা চহী ৩১ চঙলকপদা চরাংপাৎতগী এস জয়গা যূম্বান লন্বীদা খোঙদামিন্নদুনা যূম পাল্লবা মতুং মচা নুপা অমা অমদি নুপী অনীগী মমা ওইখি। চহী ১৭ লোম খোংজোম পর্ব্ব শকপা লেপখি। শৈশক অসি মপোকসিমগী অদুমক শকপা ঙম্লরোইদ্রা খন্না ৱানা লেল্লকখি, তাইবঙ শেন্বা মপুগী নোংদমদগী কুমজা ২০০৭তা মপুরোইবগা খায়নখি। খায়নবা ইকুই কুইদনা কুমজা ২০০৮দা কংলৈ শৈশকলোন শিন্দমশঙ হায়না মীংথোনবা শৈশক শিন্দমশঙ লীংখৎতুনা ওজা সুন্দরি অনৌবা মশেক মঙাল অমগা লোয়ননা নৌহৌননা শাফোঙলকখি। মশক নাইবা মনা কয়াসু ফংলকখি। পনবা য়াবদি, মণিপুর ষ্টেট কলা ফেলোসিপ এৱার্দ ২০০৯, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ২০১০, মিনিষ্ট্র ওফ কলচরনা পীবা সেনিয়র ফেলোসিপ এৱার্দ ২০১২, গুরু শিক্সা পুরুশপুরা স্কিম ২০১৫ অমদি মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা পীবা কমলাস্না রাজকুমারী নীংশিং শেলগী মনা অসিনচিংবশিং ফংলকখি। কুমজা ২০১৯দা ‘খোংজোম পর্ব্ব’ হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমসু ইদুনা খুদোল তমখ্রে। মহাক্কী মখাদা খোংজোম পর্ব্ব শৈশক অসিগী মশক নাইবা মহৈরোয় ২০ হেন্না পুথোকখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী খোংজোম পর্ব্বগী গেষ্ট ফেকলটি ওইনা শৈশক অসিবু হৌরক্লিবা নহাশিংদা তাকপী-তম্বীরি। হৌজিক হৌজিক কোনুং মমাঙ পুরৈরোম্বা লৈকায় নোংপোক হিঙ্গোলদা লৈরি। ঈশৈসু অদুমক চৎলি, লান্ন-থৌরম, লৈবাক্কী অচৌবা থৌরম, চাকচা হৈজানবা, নাহুৎ-নারেং তম্বা, পান্থোইবী ঈরাৎপা, ইমোইনু ঈরাৎপা, ইপান থাবা অসিনচিংবশিং... চহীদা চাউরাক্লা লুপা লাক্ষ ৪ রোমদি ঈশৈ চৎপদগী তানবা ঙম্মী। লাক্লিবা গান ঙাইগী থৌরমদা কবুই সলাং মাইবদা অখন্নবা শৈথাবা খোংজোম পর্ব্বগী ঈশৈ লান্থোক্লবগীদমক শেম শারি।

ওজা অসিনা শকখিবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তা মীয়াম্না থোইনা হেন্না পাম্নখিবা খরদং পল্লবদা পাফল শৈথা, ইমোইনু শৈথা, ইমা লৈবাক শৈথা ঈশৈ, হাওবা কোনু, খম্বা নোংবান লৈ লাংবা, খম্বা থোইবী শকখঙনবা, ইকপোপুংদা খম্বনা কাও ফাবা, নিংথৌশিংগী ৱারী কয়াদা শৈথাবা, খোংজোম লান্দা শৈথাবা অসিনচিংবশিংনি। *“মণিপুর সনা লৈময়োল, চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংবুরোই তম্বুরোই তুসাং সিৎনা খুন্দাবা, নুংশিজবা লমদমনে”* খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্কী শৈহৌনি, শৈহৌ অসি খোংজোম পর্ব্ব শকপা হৌরমদাই খুদিংগী শকই, শৈহেক অসিগী নুংদা চেল্লিবা অমত্তা ওইবগী থম্মোয়গী লংলা অদুনা পুনবদুনি অপূনবগী শক্তম হায়বদো। কাউবা চুম্লোই - খক কাউবা চুমলোই ঙসিগী মীরোলনা। ঈরোলনুংদা লোৎলিবা য়াই অসি ঙসিগী মীরোলনা লোক্তুনা মণিপুর ইমাবু হেন্না মশক তাকসি, পামেল পলেম ওজা অসিগী নীংজবা মঙলান থুংহনবদা হৌরক্লিবা মীরোলনা অচৌবা থৌদাং লৌসনু...। ●

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পারী-পুরীনা হৌদোক্লম্বা ওইরবসু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

হায়না-হায়না, ঙাঙনা-ঙাঙনা তৌনু হায়বা থবক্তুদা তৌরগা নুংঙাইজবা মীওইসু মশীং লাকঙমদনা লৈখ্রে। মখোয়শিংসি মুন্না খল্লুরবদি খূৎথীবা নংদ্রিবনি হায়না লৌবদা কাইদ্রবনি। য়াম্না লুরিবা অমনা ওই চাবা থবকসিমদি য়ারিবমখৈ তৌগে খন্দনা মসিনা হিংনবগী লন্বীদদি খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। মাঙ্গোল, শুমাং-থেলোংগীদি তুলু পান্দুনা ঈশিং চিংলগা নান্নবা অমোৎপা লৈতনবা হোৎনবা ফজদনীংঙাই লৈরোই। য়াম্না লুরিবদি মীওইদুগী পুকচেল শেংবদি ফনা য়াম্না ঈরুজ-মায়থজদুনসু য়াবা নত্তে। পুকচেল শেংদবা হায়বসিদি মীদুগী মশা-মশাগী ওইদৌরিবনি। তৌবগীবুদি পুকচেল শেংবগা শেংদবগা অনীসি সনা মচু মানবা, কোটেৎকা তশেং-তশেংবা সনাগা মচু মানৈ হায়দুনা চপ মান্নরবনি হায়রুবা য়াবা নত্তে। খেন্নবা অদুমক লৈদৌরিবনি। ফনা য়াম্না মান্দুনসু চেকতা চেকশিল্লক্লগা অচুম্বা অদুনা চুম্না, অরানবা অদুনা লান্না মসিদি শোয়দ্রবনি। অরানবদুবু ওনখৎতুনা অচুম্বা ওইহন্নবা হোৎনবা য়াবা নত্তে। অখঙ অহৈশিংনা ওল্লে-পারে তৌদুনা অরানবদুবু চুমহনখিবদা ঙাইহাক্কী ওইবদি য়াই অদুবু মতুং তারকপদদি অচুম্বদুনা অদুমক লাকচরক্কনি। তৌনু হায়বদা অনম কন্দুনা মতৌবা মসিগীসু কান্নবা খরদি অদুমক লৈতবা নত্তে।

নোংমা মরুপ অমগী মমা লৈখিদবগী শোরাৎ অমা য়াম্না ঙন্না চৎলুই। চৎলুবা মতমদুসু ভাবোক ওইবা য়াবা অহল পংয়ামদি য়াল্লমদে। ভেক কৎপা য়াওবসিনা লাইওইখ্রবা নুপা নৎত্রগা নুপীদুগী থৌরম লোইরবনি হায়না অখঙবা ওজ াশিংনা মহায়বি। থাঙ্গৈমক শেংবদি অরানবা নত্তে। চুমখ্রবা ৱাফমনি। ভেক কৎপা লোইরবা মতুংদা নুমিৎয়ুংবা মতুংদগীদি ঈশৈ হৌবা মসিমা শোয়দ্রবনি। মতাংসিদনি ওজা পুঙ য়ৈবগা, ওজা ঈশৈ শকপনা থবক হৌগদৌরিবসি। ঈশৈদি অমগী ওইগেরা অমগী ওইগেরা শকনীংবা অমা শকপদা কনানসু করিসু হায়দবনি। মসিদি থৌদোক্তুগী মচা-মশুশিংগী অপাম্বদা লৈরে। তৌবগীবুদি হৌজিক্কী ঈশৈসিদি শেল থারিবমখৈ লোইবা নাইদনা শক্কদৌরিবনি। শৈশকপা ওজাসু, পুঙ য়ৈবা ওজাসু ৱাখল নুংঙাইনা শক্লবনি। শেলবু থারবা ভাবোক্কীসু খরদি য়াওরবনি। মসিদি করিসু হায়নদবীনি। মতমসিগী য়ক লাওবা চৎনবীদা মান্দব অকোয়বদা লৈকায়দুগী, খুলদুগী চহী য়াল্লবা মীওইশিংনা ফম্বা মসিমা লৈজবী থাদনা চৎন-খৎলক্লিবনি। ৱারী লীবদা চিথহৌবা অমনা ভেক কৎপা লোইরবা মতুংদা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায়দা কৎপা লৈ, শেল ঐজ্তা বামোননা লৈনা লৈ, শেলনা শেল খৎ দাক্লগা শেলদু ঙাক্তা ফি অমনা য়োমদুনা পুখিনবা ঐগ্যাদুনা হৌগৎলকপদা হায়ঙম তৌঙমদবা চহী নিফুগী মথক ওইরবা নুপা অমনা চংশিল্লগা ঐগ্যাদা হায়, ঐগ্যাগী লাইদা কৎপা লৈশিংদি ঐগ্যানা পুবিখিগদবনি। ঐগ্যাগী লাইদা কৎপা লৈনি। শেল খক্তা খন্দোক্লগা পুবসিবু করম্বা লাইনীংগী মওংনো? ঐগ্যা বামোনদু ইকায়মনখ্রদুনা লৈশিংদু য়োমশিন্দুনা পুনবা হোৎনরকপদুদা নুপাদুনা ঐগ্যা ঐহাক্লা হায়জরিবসি মতুং মনাও লাইদা কৎলকপা লৈ মান্দব ময়ায়দা হুন্দোক্তুনা থম্বীরমগনু - নুমিৎ অদুদা শ্রাদ্ধ লাক্লিবা ভেক কৎপা য়াওরিবা মীওইশিংদুনা মুরুম-মুরুম হায়নরকই - মানা হায়রিবসি অচুম্বনি। মসিনা নোংমদি শোয়দনা মশীং লাকঙমদনা হায়ঙম-তৌঙমদবা খরনা ইফোং ফোংনা হায়রক্লদৌরবনি। মসিবু ফত্তে হায়বা য়ারিব্রা? অতোংবা ঙাক্তনা ঐগী ওইগদবনি হায়বসিবু হৌজিক্কী মতমদা চানরিব্রা? তৌবগীবুদি চৎনবীনি হায়দে ঐখোয়সে খরদি হেল্লবনি। থিনজিল্লিবসি করম তৌরগা ফগদগে হায়বা কনাসু ৱাওই-থওইদবনি। পামদ-পামদনা অদুমক মতুং ইন্নবনা মশীং অয়াম্বনি। অদুনি অদানি হেক হায়রুবদা অঙাওবা ওইনা হৌজিক্কী মীরোলনা খন্দনীংঙাই লৈরোই। ঐখোয়বুদি পামদ্রবসু পামদনা ইন্ন-কাওনা হিংদবদি য়াদবনিনা নমদনা হিংখিগনি।

চহী য়ামসনু য়ারক্তবনিনা নোংমা নোংমগী হৌখিবনা চহী য়াল্লকপা মীওই হায়বদু শিদ-নাদবা ওইরবদি অহল হায়বদু ওইদৌরিবনি। খূৎথীবা ময়াম অমা থেংনরগা ফৈ ফত্তে খঙলবা, মীগী মাঙনবা তৌরগা ঐগী অমাঙবা ওই হায়বা,উসু উরবা, খঙসু খঙলবা অহল ওইরবা-ওইরবী মখোয়শিংসিবু নুংশি চান্ননা লোয়নবা মসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইদৌরিবনি। লাইদা লৈগা কোননা কৎকদবগী শরুকপুদি অহল ওইরবা-ওইরবী মখোয়শিংদা অয়ূক্কী চা-তল চাননবা ওইনা পীবা মসিনা অফবা হায়বদু শোয়দনা ওইদৌরিবনি। লাইদা কৎপগীদমক্তদি খোঙ তেক্লবা, মীৎ তাংলবা কয়াবু নুংশিবা ফাওরবসু মখোয়বু লোইনমক মবুক থলহনবা ঙমদ্রবসু কৈরোয় লৈকায়গী চাবা ফংদ্রবা ইমুং অদুবু নঙনা নোংমা ফাদোক মবুক থলহনবদা নঙবু শুংশোয় শোয়দনা কাউনীংঙাই লৈররোইদবনি। মথংগী মপুদুসু মাগী ময়ূম-মকৈ, লৌরি-ইঙ্খোল হিংলিঙৈগী মতমদা মাগী লন-থুমনি মহায়রবসু মানা তাইবঙপান দগী হেক থাদোকখিবদা মপু ওইবদি লায়রদুনা মোংফম নমদনা য়ৌদৌরিবনি। চহী খরগী মতুংদা মপু অমা অমুক থোরক্তুনা মহাক্লা মপুনি হায়দুনা হিংদৌরিবনি। মপুদুনা চৎখিবদা মপু অমমুক থোরকপা মসিদি অদুমক লেংদনা লৈরগদবনি। মালেমসিগী মপুবু কনানি হায়দৌরিবগে? ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী মপু শাবগী ৱানি। লৈবাক্কী নিংথৌ কয়া অমা পাল্লমই। মখোয়না পাল্লিঙৈদা মখোয়গী লৈবাকনি অদুম মহাই। নিংথৌ মানা তাইবঙপান থাদোকখিবদা নিংথৌ অমা অমুক লাক্কদৌরিবনি। পাল্লম্বা নিংথৌ খুদিংমক লোইনা মীংচৎ লৈরমই হায়বা য়াবা নত্তে। তশেং-তশেংবা মপু কনানো? তাইবঙবু শেন্বীবা মপুদি মফম খুদিংদা লৈ হায়নরিবনি। খুদিংমকসে মপু মাগীনি খনবা ঙল্লবা অফবা থবক তৌগে হায়বসিমা নমদনা খল্লক্কদৌরিবনি। ধর্ম্ম লৈবা হায়বসি খোইদ্রিং-খোইদাং তৌবা মীনি হায়বা য়াবা নত্তে। ধর্ম্ম লৈরবা নমদনা মহাকপু মরুপ মপাং, কৈরোয়-লৈকায়না নুংশিদনীংঙাই লৈররোই। নুংশিরোইদবা থবকসিদি তৌদবা ফরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা ‘পার্ট সি ষ্টেট’ অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। “মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।” ৱাফমসি ‘পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম’ হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। “ঐগী মম্লবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।” পরেং অসিনা ‘অতিথি অমগী অহিং’ কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। “চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।” পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। “নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্লিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।” পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ADMISSION OPEN ꯑꯣꯄꯟ
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➤ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➤ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.

**PIS Brick Field (Mechanised)**
From time to time rate changeable
Brick Sample

| Class | Rate(₹) | Bricks | Gari Charge(₹) | Labour(₹) | Total(₹) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st | 11.90 | 2000 | 2100 | 500 | 26400 |
| 1st | 11.90 | 1500 | 1600 | 400 | 19850 |
| 2nd | 11.40 | 2000 | 2100 | 500 | 25400 |
| 2nd | 11.40 | 1500 | 1600 | 400 | 19100 |
| 1st Rej. | 11.00 | 2000 | 2100 | 500 | 24600 |
| 1st Rej. | 11.00 | 1500 | 1600 | 400 | 18500 |
| Peti | 9.50 | 2000 | 2100 | 500 | 21600 |
| Peti | 9.50 | 1500 | 1600 | 400 | 16250 |
| 3rd | 5.50 | 2000 | 2100 | 500 | 13600 |
| 3rd | 5.50 | 1500 | 1600 | 400 | 10250 |
| Chektek | 5000/-Per 1 load (Tata 407) | | 1600 | 400 | 7000 |

Contact :9862048579,8787464898
HL-P/5123/9nov. to 7jan
Wangjing Saban Chekon Leikei,Near Khongjom War Memorial Complex

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 9th December 2019
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19
Time : 11 am to 4 pm
TOPPERS of 2019



SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
1ST POSITION 2019
MOCK TEST
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-P/5783/3-30 Nov. & 1-2 Dec.